

# সনাৌলৈবাক স্পোর্টস



*অরোইবা ওভরদা রন ২০ লৌদুনা দিল্লিবু মায় পাক্নবা হোৎনখিবা শান্নরোই অমা*

*কোলকাতা নাইট রাইদরগী কেপ্টেন ওইখিবা গৌতম গম্ভীরনা টিম অসিগী ওপনর ওইনা থোরকখিবা*



# কলম্বীয়া ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি হন্দক্কি অসি থারগা ৫ রক খক্তা ঙাৱয়রি





*রিও দি জান্দেরো, এপ্রিল ২৫ঃ*

কলম্বীয়া ৱার্ল্ড কপকি হিস্ট্রিদা অঙকপা থৌদোক অমা থোকখিবা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি চিলিনা য়ুম্ফু ওইদুনা ইং ১৯৬২ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা ফিফাগী ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবসি হন্দক ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগা থারগা ৫ রক্তমক ঙাইরি।

কলম্বীয়ানা চিলিনা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড কপ অদুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোয়গী ওপনিং মেটচতা উরুগেগা শান্নখি। মদুদা উরুগেগী মখুত্তা গোল ২–১ দা মায়থীবা নঙখি।

অনীশুবা ওইনা লৈবাক অসিনা সোভিয়েট য়ুনিয়নগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৪–৪ দা দ্রো ওইবা ঙমখি। অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা ৱার্ল্ড কপকি মেটচ অদুদা কলম্বীয়ানা লৈবাক ১৬ শরুক য়াবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ১৪ শুবা পোজিসন ফংখি।

মসিগী মতুংদা চহী ২৮ চুপ্পা ৱার্ল্ড কপকি ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নবদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরকখ্রবা কলম্বীয়া টিম অসি ইং ১৯৯০ দা ইটালিনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুদা অনীরকশুবা ওইনা শরুক য়াখি।

টিম অসিনা চহী অদুদা অহানবা রাউন্দদা মায় পাকপগা লোয়ননা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি। মখোয়গী গ্রুপ অদুদা তাখিবা লৈবাকশিংদি ৱেষ্ট জর্মনি, য়ুকোসলভিয়া অমদি য়ুনাইটেদ আর্ব ইমরেটসনি।

টিম অসিনা অনীশুবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবদা প্লে ৩ ফংবগা লেয়ননা পোইন্ট মরি ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিদা সেকেন্দ তাবগা লোয়ননা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

অদুবু লাইবকথীবদি টিম অসি অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌবগা লোয়ননা চহী অদুদসু ১৪ শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। অহুমলকশুবা ওইনা ৱার্ল্ডকপ্তা য়ু এস এনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইং ১৯৯৪ দা শরুক য়াখি। মসিদা টিম অসিনা গ্রুপ লীগ খক্তমক চরুক য়াবগা লোয়না সেকেন্দ রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে।

লৈবাক অসিগী হেন্না লাইবকথীবদি লূপ অসিদা লৈমিন্নরিবা লৈমিন্নরিবা টিম অদুদি রোমানিয়া, স্বিজরলেন্দ, য়ু এস এগা পুন্না লৈমিন্নখি। কোলম্বীয়াগী চহী অসিগী ৱার্ল্ড কপ অদুদা য়াম্না লাইবকথীবা থৌদোক অমা থোকখি। মদুদি গ্রুপ লীগ অদুগী অরোইবা মেটচ ওইনা য়ুম্ফু ওইরিবা য়ু এস এগা শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অসিগী দিফেন্দর ওইখিবা এন্দ্রেস স্কোবার কৌবা শান্নরোই অসিনা ওপোনেন্ট টিম ওইরিবা য়ু এস এগী শান্নরোই অমনা কাউশিল্লকখিবা বোল অদুবু ক্লিয়র তৌনবা কাউথোকপদা শোইবদগী গোল মাউট মনুংদা চঙখিদুনা য়ু এস এগী অনীাুবা বোল ওইদুনা টিম অসি মায়থীবা নঙহৌখি।

লৈবাক অসিনা অহুমলকশুবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ য়াওবা অদুদা য়ুমবু ওইরিবা য়ু এস এগী মখুত্তা মখোয়গী শান্নরোইনা কাউশিনখিবা গোল অদুগা লোয়ননা ২–১ দা মায়থীবা নঙখিবা অদুবু পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা টিম অসিগী দিফেন্দর ওইনা শান্নখিবা এন্দেস স্কোবারবু ময়ুমদা হনখ্রবা মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম অদুমক্তদা শকখঙদবা মীওই ওরনা চহী অদুদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবদা খ্বাইদগী অৱাবা অমা ওইখি।

মসিগী মতুংদা লৈবাক অদিনা অমুক হন্না ইং১৯৯৮ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াখি। মদুদা লৈবাক অসিনা গ্রুপ লীগতগী হেন্না লানখৎনা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

চহী অদুদা কলম্বীয়া ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা লৈবাক ৩২ গী মনুংদা ২১ শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ভালদিরামা হায়রিবা শান্নরোই অসি অফবা অমা ওইবগা লোয়ননা মহাক্না শান্নরিঙৈ মতমদা লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বগা লোয়ননা ইন্টর্নেসনেলগী মেটচ ১১১ শান্নবদা গোল ১১ খক চনবগা লোয়ননা ভালগিরমাবু ঙসি ফাওবা লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা শিংথানরি।

মহাক নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোই কয়া অমনা হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ানবা হোৎনখি। লোয়ননা মায় পাকপগা লোয়ননা হন্দক্কি ব্রাজিল ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াখিবনি।

ক্বালিফায়িং মেটচ অদুদা সাউত আফ্রিকাগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা লোননা ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নখি। মখোয়গী হোম মেটচতা আর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা কয়া অসিগা লোয়ননা হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা কলম্বীয়ানা ৫ রক শুবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা টিম অসিনা গ্রুপ সিদা লৈবগা লোয়ননা আইভোরি কোস্তা, জপান অমদি গ্রিসকা পুন্না লৈমিন্নরি। লৈবাক অসিগী ওইনা হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা অফবা শান্নরোই ওইগনি হায়দুনা পান্নরিবা প্লেয়রশিংদি মোনাকো, ফ্লানকোনচিংবা শান্নরোইশিং অসিনা অফবা প্লেয়র অমা ওইনা শান্নবগা লোয়ননা মিদ ফিল্ডরনা জেমস রোদিগুই, মারিও, লিপি অমদি ল্যুইজ পেরারানা মিদফিল্ডর ওইনা শান্নগনি।



ভালদিরামা

## এসিয়ন চেম্পিয়নদা সিন্ধু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*গিমচেয়োন, এপ্রিল ২৫ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী গিমচেয়োনদা চত্থরিবা য়ু এস দোল্লর লাক্ষ অনীনা শীনবা বেদমিন্টন এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৱার্ল্ডগী ১০ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ৱুমেন্স সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু মায় পাকপগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড চম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিনা থাইলেন্দগী শান্নরোই অমা ওইরিবী ওংক্রমরুংপান ভুসানাবু ১৪–২১, ২১–১৩, ২১–১০ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিবু থাইগী শান্নরোই অসিনা অহানবা সেট অদুদা ১৪–২১ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিনা লেমহৌরিবা মেটচ অমা অদু য়াম্না লাকচনা ২১–১৩ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। লোয়ননা দিসাইদিং ওইনা শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচ অদুদসু য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিনা সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ডগী অনীশুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবী চাইনাগী সিংসেনৱাংগা শান্নগনি। শিংসোন ৱাংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিবু ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৩–১ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

## গগন নরং কম্মনৱেলথকি সুট্টিংদা শরুক য়ারোই, অবিনাভ অমদি বিজয় য়াওরগনি


*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ঃ*

ওলেম্পিক্তা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা অবিনাভ বিন্দর অমদি বিজয় কুমার কম্মনৱেলথ গেমসতা শরুক য়ারগনি অদুগা লন্দন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা গগন নরং ১০ মিটর এয়ার রাইফলগী ইভেন্ট অসিদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবগা লোয়ননা হন্দক্কি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারোই।

গগন নরং ইং ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক অদুদা ১০ মিটর এয়ার রাইফলদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা শান্নরোই অমা ওইরগসু হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লন্দন কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবগা লোয়ননা মশান্না অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি।

মহাক্না ৱার্ল্ড কপ্তা স্কোর তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা টাইটল লৌখিবা শান্নরোই অমা ওইখি। লোয়ননা নেসনেলগী ওইনা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদসু শরুক য়াবদা অহানবা পোজিসন ফংখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অমনি।

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি ওইরিবা রজিব ভাটিয়ানা ফোঙদোকখিবদা হায়দ্রবাটতা পোকখিবা শান্নরোই অসিনা দিল্লিদা ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা ইভেন্ট অনীদা শরুক য়াখি। মহাক্না রাইফল অমদি পিষ্টোলদা শরুক য়াবা ঙমখি। হন্দক্কি কম্মনৱেলথ গেমস অসিদা ইন্টিয়াগী ওইনা সুট্টর অবিনাভ বিন্দর অমদি আর্মিগী সুট্টর ওইরিবা বিজয় কুমারনা শরুক য়াগনি।



## শ্রীলঙ্কাগী ইন্টরিম কোচ ওইনা আটাপ্তু হাপখ্রে



*কলম্বো, এপ্রিল ২৫ঃ*

শ্রীলঙ্কাগী কোচ ওইরম্বা ইংলেন্দ মচা পাউল ফারব্রাসনা টিম অসিগী কোচ ওইবা তোক্কুনা ইংলেন্দ টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ ওইখিবগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কাগী মতম অমগী কেপ্টেন ওইরম্বা মারফন্ট অটাপ্তুবা লৈবাক অসিগী ৭ লক শুবা কোচ ওইনা হাপখ্রে। মসি চহী ৪ গী মনুংদনি।

মশাগী চহী ৪৩ শুরবা মতম অমগী শান্নরোই অটাপ্তু অসিবু মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা শ্রীলঙ্কাগী ইংলেন্দ অমদি স্কোটলেন্দ টুরগা লোয়ননা ময়ুম লৈবাক্তা জুলাই থাদা সাউথ আফ্রিকাগা পাঙথোক্কদৌরিবা সেরিজ অসিগীদমক মতম খরগী ওইনা মহাকপু লৈবাক অসিগী ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইনা হাপখিবনি।

অটাপ্তুনা ইংলেন্দগী কোচ ওইবা পোলগী মফম অসি শিন্ননবা মমাঙগী চয়োলদা খন্নবা লৈখ্রবনি। মহাক অদু লৈবাক অসিগী কোচ ওইনা লৈরম্বদগী ইংলেন্দগী ক্রিকেট বোর্দনা মখোয়গী দিপ্যুটি কোচ ওইনা পিটর মোরিসকি মখাদা থমজিল্লকপদগী শ্রীলঙ্কাগী কোচ ওইবা অসি তোকখিবনি।

অটাপ্তুনা লৈবাক অসিগী শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিঙৈ মতমদা টেষ্ট মেটচ ৯০, ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ২৬৮ অমদি টি–২০ মেটচ অনী শান্নরকখি। লোয়ননা ইং ২০০৭ ফাওবদা চহী ১৭ চুপ্পা স্পিন্নর অমা ওইনা লৈরম্মী। টেষ্টতা মহাক্না সেঞ্চুরি ১৬ য়াওরগা রন ৫৫০২ লৌরমখি।

## ৱার্ল্ড নম্বর ১ রাফেল নদাল বার্চেলোনা ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



*বার্চেলোনা, এপ্রিল ২৫ঃ*

ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নদাল ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ রাউন্দ মায় পাকপগা লোয়ননা মফম অসিদা চত্থরিবা বার্চেলোনা ওপন টাইটল অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

গ্রান্সলাম টাইটল ১৩ রক লৌখ্রবা শান্নরোই অসিনা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ অমদা ইভান দোদিগবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ চঙখিবনি। মসিনা মহাক্না হন্দক চহীগী ওইনা শরুক য়াবা টুর্নামেন্টশিংদা মেটচ ৪৩ মায় পাকপগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মহাক্না ৱার্ল্ডগী ৩৭ শুবদা লৈরিবা ইভান দোদিগবু মায়থীবা পীবা অসিদা পুং ১.২৩ চঙখি। মায় পাক্লবা নদালনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি মহাক্কা সেকেন্দ রাউন্দদা থেংনরিবা দোদিগ অসি শান্নবদা য়াম্না নুঙাইবা মীওই অমনি।

মহাক্না অলবর্ট রামোসপু মায়থীবা পীরমদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চঙলকখি। লাইবকথীবদি শান্নরোই অসিগা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা মহাক্কা তারবসু য়াম্না নীংথিনা ফাইটিং স্প্রিট লৈনা শান্নখিবা শান্নরোই অমনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেট অদুগী অহানবা মেটচ অদুদা নদালনা অহানবা ওইনা দোদিগকি সার্ভিস ব্রেক তৌবা ঙমখি। অদুমওইনমক ক্রএসিয়াগী শান্নরোই অসিনা মহাক্কা চপ মান্ননা শান্নবা ঙম্বগা লোয়ননা অহানবা গেম অদুগী গেম তরুক শান্নবা লোইবদা ৩–৩ দা ইক্যুলাইজ তৌদুনা পুবা ঙমখি।

মথংগী গেম অদুদা নদালগী সার্ভিস তাবগা লোয়ননা সার্ভিস অদু মায় পাক্তুনা ৪–৩ দা লৈখি। নদালনা শান্নরোই অসিগী সার্ভিস অমা ব্রেক পীবগা লোয়ননা ৫–৩ দা থম্বা ঙমখি। অদুগা অরোইবা গেম অদুদসু মহাক্না মায় পাকপগা লোয়ননা অহানবা সেট অদু ৬–৩ দা মায়থীবা পীখিবনি।

অনীশুবা সেট অসিসু অহানবা সেট অদুগা চপ মান্ননা শান্নখি। শান্নখিবা গেমশিং অসিদা নদালবু ক্রুএসিয়াগী শান্নরোই অসিনা চপ মান্নবা মওংদা শান্নহনখি লোয়ননা মহাক্কী মায় পাকপা অসিনা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোই অসিবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীবা মেটচ অমদি ওইখিদে। নদালনা বার্চেলোনা ওপন অসিদা শরুক য়াবদা মায়থীবা নঙখিবসি ইং ২০০৩ দা পাঙথোকখিবা ওপন অদুদা এলেক্স ক্রোজেতাগী মখুত্তা সেকেন্দ রাউন্দদা মায়থীবা নঙহৌখিবা অদুনি।